অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৯৬°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.৫৩°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৯

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.120282 |
| US Dollar | 81.906173 |
| British Pound | 98.302699 |
| Australian Dollar | 55.082985 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.810314 |
| Japanese Yen | 0.602099 |
| Malaysian Ringgit | 18.292471 |
| Singapore Dollar | 60.834519 |
| South Korean Won | 0.063029 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.841646 |
| Thai Baht | 2.370474 |

## GAS NEWS

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-07-02-23
**B/upto - 10-02-23**
**Stock-612**
7am to 10am

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09.30am to 12.30pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-02-02-2023,**
VALID FROM 20-01-2023,
**STOCK : 918,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date.**
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30.
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**POROMPAT INDANE GAS, KONGKHAM LEIKAI, NEAR WATER SUPPLY:**
**Booking up 04/02/2023**
Valid from 21/01/2023
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9366184547.

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 08/02/2023
**BOOKING UPTO: 11/02/2023**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY :03852444677
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
For homedelivery:-
Area:
1.Keishampat
2.Khagempalli
3.Kwakeithel
4.Tiddim and Mayai lambi road.
5. Wangkhei
6. Singjamei
7. New Checkon, Palace Compound, Hatta
8. Samurou
9. Langol and National Game Village.
10. Kshetrigao, Naharup and Irilbung.
Please contact through Calls/ SMS/Whatsapp- 9863576002
Timing: 9:00 am to 12:00 pm

# অর্বান লোকল বোদিশিংগী মীখল পাঙথোকপগী...

*লামায় ১গী মখা...* ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং নগর পঞ্চায়টশিংদসু থেঙ্খাং নাইনা তৌদুনা লাকখি।

অদুম ওইনমক ওগষ্ট ২৩, ২০২২দা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (মাহুদ) না থোকখিবা ওর্দর অমনা মতম লোইখ্রবা মেয়র/চ্যেরপর্সন/কাউন্সিল্লরশিংদা ক্যেরটেকরশিং ওইনা পুহল্লকখিবা অদু মখা তানা চৎনররোই হায়দুনা খঙহনখিবসু লৈখি।

লৈঙাক্কী মাহুদ লোয়শঙনা লৌরকখিবা ফিরেপ অসিগী মায়োক্তা আই এম সীগী য়াওনা অতোপ্পা যু এল বিশিংগী মায়কৈদগী পাঙথোকফম থোক্লবসু পাঙথোক্তনা নমশিল্লক্লিবা মখোয়গী মীখলশিং লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা পাঙথোকপীয়ু অমসুং পাঙথোক্তবা ওইরগদি মীখলশিং অসি পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবদা মখোয়দা পীরম্বা ক্যেরটেকরগী ফমশিং মীখলগী নোটিফিকেসন থোক্ত্রিবা ফাওবদা মখা তানা পীগদবনি হায়বগী ৱাকৎসু হায় কোর্টতা তৌনরকখিবনি।

ৱাকৎশিং অসি ফোঙদোকপা তোঙান তোঙানবা রিট পিটিসন (সিভিল) শিং কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা লৈঙাক্তা মীখলগী নোটিফিকেসন থোক্ত্রিবা ফাওবদি প্রেয়র তৌরকপগী মতুংইন্না 'ক্যেরটেকর' শিং মখা তানা লৈহন্নবা খঙহনবা লৈখিবনি।

মসিমক পল্লদুনা ঙসি অন্দর সেক্রেটরি (মাহুদ) না থোরকপা ওর্দর অমদসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা জন্যুৱারী ১৯, ২০২৩দা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৯৩৫ ওফ ২০২২, ৬৩৩ ওফ ২০২২, ৭০৪ ওফ ২০২২ অমসুং ৮৮০ ওফ ২০২২গী ওর্দর মতুংইন্না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন য়াওনা অর্বান লোকল বোদি ২৭মক্কী এক্স ক্যেরটেকর মেয়র, এক্স ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সন অমসুং এক্স ক্যেরটেকর কাউন্সিল্লরশিংবু চহী ৫গী মতম লোইরদুনা দিজোল্ব তৌখিবা অদু মখা তানা মখোয়বু ক্যেরটেকরশিং ওইনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী মীখল পাঙথোক্লবগী নোটিফিকেসন অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা লৈরগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ঙসিগী ওর্দর অসিগী মতাংদসু যু এল বি ২৭মক্কী কাউন্সিল্লর য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফমশিং পুরমখিবা মীওইশিং অমসুং মখোয় মখোয়গী ৱার্দকী ইলেক্টর খরনা ফোঙদোরকপদা লৈঙাক্লা ঙসি থোক্লক্লিবা ওর্দর অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীরকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুং ইনবা ওইনা থবক্তা ওন্থোরকপগীদমক্তদি থাগৎফম থোকই। অদুবু কোর্টনা ৱায়েল চথ্রগা পীখিবা ওর্দর অসিগা মরী লৈনবা রিট পিটিসনশিংদা প্রেয়র তৌখিবা অতোপ্পা ৱাফমশিংদি পাঙথোকফম থোক্লিবা যু এল বিশিংগী মীখলশিং পাঙথোকপীয়ু হায়বসিনি। অদুগা করিগুম্বা মীখল পাঙথোক্লোইদবা ওইরগনা ক্যেরটেকর ওইনা অমুক পুহল্লক্লগা মখা তাহনখিদবা অদু নৌহৈননা শাংদোকহনবীয়ু হায়বসিনি।

মাহুদ লোয়শঙনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর ইং দুনা ওর্দর থোরকপবুদি তরাম্না ওকই অদুবু হেন্না পাল্লিবদি ষ্টেট লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্নসু ৱারেপ লৌখ্রবা অদুগা এসেমব্লিদসু এসুরেন্স পীখ্রবা অর্বান লোকল বোদিশিংগী পাঙথোকফম থোক্লিবা মীখলশিং য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়বসিনি।

পনবা য়াবদি, আই এম সী য়াওনা যু এল বি ২৭ অসিগী চহী ৫গী টর্ম মপূং ফানা লোইশিনখিবা চহী ২ হেল্লকপগা ইরোয়ননা জিলা পরিষদশিং অমসুং গ্রাম পঞ্চায়টশিংগীসু মখোয় মখোয়গী চহী ৫/৫গী টর্মশিং মপূং ফানা লোইশিনখিবা কুইশিল্লক্লবনি হায়রি।

মখোয়গী মায়কৈদগীসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎপদগী ক্যেরটেকরশিং ওইনা মখা তানা পুননবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংদা খঙহনখিবসু লৈরবনি হায়রি।

## মীয়াম, পুলিস ১সুং...

*লামায় ১গী মখা...* অমরোমদা, তোলোপ লুপা লাখ ২/৩ চারবসু ফাইনান্সিএল দিসিপ্লিন অমসুং প্রোফেসনেল দিসিপ্লিন লৈত্রবদি কান্নরোই হায়না আই জি পি থেমথিং ঙসাংভানা ঙসি বিষ্ণুপুরগী লাইনিংথৌ ময়াংঙম্বা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ভি দি এফশিংগী ১৪শুবা রেজিং দেদা ফোঙদোকখ্রে।

# মণিপুর ফাইনান্সিএল দিভেলপমেন্ট...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিংগা চুশিন্নবা খরসু য়াওরে হায়রি।

লোয়ননা ৱাহং পাউহং চথবদা ফংলকখিবশিং অসিগা এম দি এফ আইগী মেনেজর খরদগী লৌরকপা ষ্টেটমেন্টশিংগসু ক্রোস চ্যেক তৌরে হায়রি। লোয়ননা মোইরাংথেম শর্মিলানা সরেন্দর তৌরক্লবা মতুংদা পার্টিগী মায়কৈদগী নৌহৈননা ফংখিবা ৱাফমশিংনা মল্টি ক্রোর স্কাম ওইরক্লবা এম দি এফ আই অমসুং মসিবু থোকহন্নবা এম দি নুরুল হকনা থৌরাং তৌরে হায়বসি খঙদবদগী মহাক্লা মহাক্কী মরুপ মপাং অমসুং মরী মতাশিংবু এম দি এফ আইদা ইনভেষ্ট তৌহনখি হায়বা খঙলে অদুগা এম দি নুরুল হকনা মঙোন্দা ব্লেক মেল্লিং তৌদুনা মহাকপু এম দি এফ আইগী থবক মখা তানা তৌহন্নবা হোৎনখি হায়বসু খঙবগা লোয়ননা এম দি এফ আইবু মহাক্কী মমিংদা 'অন ইনকোর্পোরেটেদ বোদি' ওইনা রেজিষ্টর তৌরে হায়বগী ৱাফম ফাওবা মহাকপু ব্লেক মেল্লিং তৌবীবদা শীজিন্নরল্লে। মরমশিং অসিদগী পার্টিনা এম দি এফ আই স্কামগা মরী লৈননা চথরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা মহাক্লা মখা তানা কোওপরেসন পীখিগনি হায়বগী অন্দরটেকিং অমসু তৌনরে হায়রি। লোয়ননা পার্টিনা মহাকপু ইনভেষ্টিগেসন অসিগা মরী লৈননা মথৌ তারকপদসু ফংহনগনি হায়নসু ফোঙদোক্লে হায়রি।

মসিগী মথক্তা মহাক পার্টিনা এম দি এফ আই স্কামগা মরী লৈননা চথরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিগীদি শরুক অমা ওইখিগনি। মহাক অঙাং অমা লৈদুনা মমা ওইরবনি হায়বগা লোয়ননা পার্টিগী পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা মহাকপু থাদোকপা অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা হিংবদা অয়াবা পীরে। অদুবু হায়রিবা অয়াবা অসি পার্টিনা চথরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিদগী মহাক্কী মথক্তা অকনবা চেন্নবশিং লৈত্রিবা ফাওবগী ওইগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা

হায়বদা পার্টিগী হোম এফ্যেরস দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি সার থৌবনা লুচিংদুনা চথরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসনদসু অতোপ্পা দিভেলপমেন্ট খরা লাকপগা লোয়ননা মায় পাক্লা এম দি নুরুল হক অমসুং মহাক্কী মশেন মবাইশিংগগী ওইনা স্কাম অসিদা চেন্নবগী মতিক চাবা ইভিদেন্সশিংসু খোমজিল্লে হায়রি।

লোয়ননা এম দি এফ আই স্কাম অসিগী খূথাংদা খোমজিনখিবা য়াম্লবা শেনফম অমা মীওই অমগী ইলেক্টোরেল কেম্প্যেনদা শীজিন্নখি হায়বসু খঙবগা লোয়ননা পার্টিগী পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মায়কৈদগীদি মাঙজৌননা চেন্নবশিংগী মথক্তা য়ারিবমখৈ খুদোংচাবা হেক ফংবগা মতিক চাবা চৈরাক পীননবা ৱারেপ লৌদুনা লৈরবনি হায়রি।

লোয়ননা পার্টিগী পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী এম দি এফ আই স্কাম অসিগী ভিক্টিম ইনভেষ্টরশিংদা আপীল তৌরক্লিবনা মখোয় মশামকসু ভিক্টিম ওইহঞ্জরবা এম দি এফ আইকী মেনেজরশিং অমসুং অতোপ্পা ষ্টাফশিংদা কিহন খংহনবগী থবক তৌবীগনু হায়রি। তশেংনমক ভিক্টিম ইনভেষ্টরশিংদগী

অঙনবা মতমদা ফংগদবা কোওপরেসনশিং ফংদবনা মরম ওইরগা পার্টিনা চথরক্লিবা এম দি এফ আই স্কাম অসিদগী মসিগী মাষ্টর মাইন্দ ওইরিবা এম দি নুরুল হক অমসুং মহাক্কী অশেংবা কো কলপ্রিটশিং নাম্থেকখিবনি। অদুম ওইনমক ক্রাইম অসিগীদমক মখোয়না ফংফম থোকপা মনা ফংহনখিগনি হায়রি।

অচুম্বা পুরক্ক বগীদমক ইনভেষ্টরশিংনা পার্টিদা মতেং পাংবগী মহুত্তা ইনভেষ্টর খরনা এম দি নুরুল হকনা মখোয়গী শেনফমশিং হন্দোরকখিগনি হায়বগী অরানবা ৱাখল্লোনদা মহাকপু ঙাক শেন্দুনা থল্লি হায়রি।

পার্টিগী মায়কৈদগী ভিক্টিম ইনভেষ্টরশিংগী শেলশিং নৎত্রগা শরুক খরা ফংলগনি হায়বসি পার্টিগী মায়কৈদগী গেরেন্টি তৌবা ঙমদে। অদুম ওইনমক পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা ভিক্টিম ইনভেষ্টরশিংগা কোর বেনিফিসরিশিংনা শেল হন্দোকহনবগী ৱারেপ লৌবদি লৈখ্রবনি অমসুং কোর বেনিফিসরিশিং অসিদা মতিক চাবা চৈরাক পীবগা পন্থদনা মখোয়গী মমিং মথাশিংসু মীয়ামদা ফোঙদোরকখিগনি হায়রি।

# অসাম রাইফলস নোর্থ ইষ্ট মীয়ামগীদমক্তনি...

*লামায় ১গী মখা...* লৈবাক অসিগীদমক পাঙথোক্লিবা থবকশিং কাউথোকপা য়াররোইদবা থবকশিংনি। মখোয়না মহৈরোয়শিংগীদমক্তসু অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়খি।

অসিগুম্বা নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর অমা শীনবা অসিনা অসাম রাইফলসনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বগীদমক থবক তৌরি হায়বদু তাক্লে। টুর অসিদা শরুকয়ারিবা মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা থাক্তা লৈবা মীওইশিং, সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনেল হেদশিংগসু উন্নবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। অসিগুম্বা থৌরাং অসিনা নোর্থ ইষ্টকী মহৈরোয়শিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওইশিংগা শকখঙ মায়খঙনবগী খুদোংচাবা ফংবদা নত্তনা মখোয়গী লোল, পুন্সি মহি, চাকচা-যুথক অমসুং চৎনবীনচিংবা কয়াসু খঙবা ঙম্লগনি হায়খি।

কোলকটাদা লমথুংফম ওইগদৌরিবা ঙসিগী টুর অসিগী মতাংদা মখা তানা পল্লদুনা গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবদা কোলকটা হায়বসি 'সিটি ওফ জয়' হায়রগসু খঙনবা লৈবাক অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরকপদা নত্তনা কলচর অমসুং ত্রেদিসনশিংগীদমক চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা মফম অমনি হায়খি। টুর অসিদা শরুকয়ারিবা মহৈরোয়শিংনা চাওখৎলবা কলচর অমসুং ত্রেদিসনগী মতাংদা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা হোংলক্লিবা লৈবাক অসিগী শক্তমসু খঙদুনা চাওখৎ থৌরাংদসু মতেং পাংশিনবা ঙম্লগনি হায়খি। পনবা য়াবদি, ঙসি গভর্ণরনা লমথাখিবা টুর অসিদা মচি গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল (তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট) কী মহৈরোয় ২০, ওজা ২ অমসুং অসাম রাইফল্সকী ওফিসর ১ শরুকয়ারি। অসাম রাইফল্সনা ওপরেসন সদভবনাগী শরুক অমা ওইনা শীনখিবা টুর অসিবু লমথাবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল রজন সরাৱটনসু গভর্ণরবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসাম রাইফলসনা অসিগুম্বা মহৈরোয়শিংগী টুর অসি শিন্দুনা লাক্লি। মমাঙ থাগী ২২দসু অসিগুম্বা টুর অমা লমথাখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মার্টিয়রশিংগী নীংশিং খুভম শানবা লুপা ক্রোর ৩...

*লামায় ১গী মখা...* মতমদা হাংদোক্লগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা মণিপুরদগী মেজর জোতিননা অফঘানিষ্টানদা থৱায় কৎখিবা অমসুং লৈবাক অসিগীদমক মেজর বোব খথিংনা কথোকখিবনচিংববু নীংশিংলদুনা মখোয়গীদমক নীংশিং খুভম অমা শাগদৌরিবনি। মফম অদুদা ঐখোয় পূন্নমক্লা চহী খুদিংগী মখোয়গী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎকদবনি হায়খি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী 'নেসন ফষ্ট' হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা মীপূম খুদিংমক্লা লৈবাক অসিনা শাফরবদি ঐখোয় পূন্নমকপু শাফগনি হায়বগী থাজবা থমগদবনি হায়খি। লোয়ননা হোম মিনিষ্টর অমিটশাহ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মণিপুরদসু অগ্নিভির রিক্রুটমেন্ট রেল্লি পাঙথোকপদা অয়াবা পীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। লৈঙাক্কী কেবিনেটকী মায়কৈদগীসু অগ্নিভিরশিংনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা লৈঙাক্কী থবক লৌবদা প্রাইওরিটি পীনবগী ৱারেপ লৌরে হায়খি। লোয়ননা হৌজিক্তি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মীয়ামগী মরক্তা লৈনবা মরী শীংথানীংঙাই ওইনা চেৎশিলহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অসিদা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজনগী দেপ্যুটি জি ও সী বৃগেদিয়র নৈইল জে নসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী থৌনা ফবা মচানুপা অমসুং মচানুপীশিংনা লৈবাক অসিগীদমক লৌখিবা থৌদাংশিং চাংদম্নীংঙাই লৈতে অমসুং অতোপ্পা অমগী মখাদা লৈবা নত্তে হায়না শীংথাখি। থৌরম অসিদা লেফটিনেন্ট জেনরেল এল এন সিংহ (রিটাইয়র্দ) য়াওনা এক্স সর্ভিসমেনশিং, মখোয়গী ভির নারিশিং অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা সিনিয়র ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা ভির নারিশিং, ভেটরেনশিং অমসুং মপুরোইবা কায়নরবীশিংবু তরাম্না ওক্তুনা খুদোল পোৎ তমখি।

অমরোমদা, এক ভারত শ্রেষ্ঠ ভারত যুব সঙ্গমগী মখাদা ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সেক্রেটরিএটতগী পঞ্জাব তান্না চৎকদবা নহারোলশিংগী এক্সপোজর ভিজিট টিম অমা লমথাখি। টুর অসি থা অসিগী ১২দা লোইশিনগদবনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা মহৈলোয়শঙশিংদগী মহৈরোয় ৩০ শরুক য়াবগা লোয়ননা মখোয়বু ওজা ৩না লমজিংলি। ঙসিগী টুর অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং পঞ্জাবকী সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিনা শীনবনি। পনবা য়াবদি, মমাঙদসু ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মসন টেক্নোলোজি, মণিপুরনা শীন্দুনা মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা মহৈরোয়শিংগী টুর অমা চৎখ্রবনি।

## কক্চীংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লেন্দ ...

*লামায় ১গী মখা...* পুথবিরক্তবদগী ৱাকৎ খোঙজং হান্নসু চঙশিনখ্রে। লোয়ননা অমুক হন্না চেরোল অমসু পীশিন্দুনা তকশিনবসু লৈখ্রে। চৈরকসিদা কক্চীং ৱাইরি মায়কৈগীসু উপু ফাওবা য়াওনা লেন্দ রেকোর্দশিং অমুক ইম্ফালদা পুখৎখিবগা লোয়ননা কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম, লমজাও, লাংমৈদোং অমদি খরুংপাৎনচিংবগী লেন্দ রেকোর্দশিংসু ইম্ফালদা পুখৎখিবা অসিনা মরম ওইরদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না লেন্দ রেকোর্দকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা ইম্ফাল তান্না চৎতুনা হেন্না অৱাবা মায়োক্নহল্লে। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদা কয়ারক হন্না হায়জবা লৈখ্রবসু লেন্দ রেকোর্দশিং কম্প্যুটরাইজ তৌরি, রি-সর্ভে তৌরি হায়বা পাউখুম নত্তনা ঙসি ফাওবা পুখৎখিবা লেন্দ রেকোর্দশিং পুথরকপা লৈত্রি। কম্প্যুটরাইজ তৌবা, রি-সর্ভে তৌবগী থবক অদু কক্চীংদা লৈরিবা ওফিস অসিদা তৌহনবীয়ু। তঙাইফন্দনা ইম্ফালদা তৌদবা য়াদে হায়রগনা মথৌ তাবা লেন্দ রেকোর্দশিং অদু কক্চীংদসু লৈহনবীয়ু হায়খি। লোয়ননা অথুবা মতমদা মীয়ামগী ৱাকৎ অসি থবক্তা ওন্থোরক্তবদি মখা তানা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়খি।

DOWNTOWN MINI PARADISE SCHOOL (DMPS)
HAOTAL, P.O. : PANGEI, IMPHAL EAST - 795114

**APPOINTMENT**

| Sl. No. | Post | Qualification | No. of Post |
|---|---|---|---|
| 1. | Asst. Teacher (Computer Sc., English, Science, Social Science, Maths & Manipuri) | B.A./B.Sc. MA/M. Sc. | 8 |
| 2. | Male & Female Warden | XII/B.A./B.Sc. M.A/M.Sc. | 4 |
| 3. | Cook, Helper, Sweeper | | 4 |

Mode of Selection : Interview & Class demonstration (7 to 20th March, 2023)

Sd/-
Headmistress, DMPS
7005028916/7640862037

HL-P/6188/7

দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-P/5958/18/2-23/3

## / অৱাবা ফোঙদোকপা



হৌখিবা তাং ০৫/০৩/২৩ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা Konthoujam Youth Peace Club অসিগী Cashier ওইনা থৌ পুবিরম্বা (Late) Konthoujam Sunildro Singh, S/o. K. Nabachandra Singh, Konthoujam Lairembi Leikai, Imphal West না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিদা ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী Yaoshang Sport অসি তৌজররোই অমসুং লৈখিদ্রবনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়না থৌনিজরি।

**Sd/- President,**
**& Secretary,**
Konthoujam Youth Peace Club

HL-P/6189/7

**/ খোঙ হাম্বা খূদিংগী তাংমুক শাংনা অমাংথোঙ মনুংদগী শৌজ নাম্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্লগুম্না ঈ কাপথোরকপা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙদা শাগৎলকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী তাংমুক শাংনা অমাংথোঙ মনুংদগী শৌজ নাম্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা নাম্থরকপা শৌজ অদু মশানা হনগৎখিবা, অহানবা শৌজ নাম্থরক্ত্রিঙৈগী মমাংদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কচবা অমদি অমাংথোঙ ময়াদা উরিং মচা অমমুক চাওনা অমসু পোমথোরকপা, পৃক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পৃক নুংঙাইতবা অদুগী মতুংদা খঙহৌদনা তাংমুক শাংনা অমাংথোঙ মনুংদগী শৌজ নাম্থরকপা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থরকপা, মশানা অমুক হনগৎখিবা তারগসু অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্লগুম্না ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাবা অদু অমুক ফরগা মরক-মরক্তা অমাংথোঙদগী ঈ কাপথোকপা হৌরকপা অদুগা অমুক ফখিবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙদা শাগৎলকপা কুইনা ফমজিনবা তারগদি হকচাং শোন্থবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Kh. Shantibala Devi**
Malom

HL-B/8049/7










